# এনএসসিএননা গ্রেটর নাগালিম দিমান্দ তৌরিঙৈ
# নাগালেন্দ ২ থোক্কা খায়দোকপা য়াবগী ফিভম লৈরে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুন ৩ঃ* এনএসসিএন (আইএম)না নাগালেন্দগা থংনরিবা মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী লমখৈগী শরুক্তা খুন্দারিবা নাগাশিং খোমজিনদুনা গ্রেটর নাগালিম অমা শেম্লনবা সেন্টরদা অকনবা দিমান্দ তৌরিঙৈ অদুগা এনএসসিএন (কে)গী কিতোবিনা লুচিংবা কাংবুনা নাগা তাবা লম খুদিংমক নাগালিমগী মনুং চল্লি হায়দুনা লাওথোক্কুনা নাগাশিংগী ওইবা অপুনবা বাউন্দরি অমা শাগৎনবা কন্না হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা নাগালেন্দ মশাগী লৈজরিবা বাউন্দরি মনুংদগী শরুক অমা থুগায়রগা ফ্রন্টিয়ার নাগালেন্দ শেম্নবা দিমান্দগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা ৱারী শান্ননবা নাগালেন্দগী চিফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিও ঙসি দিল্লিদা কৌখ্রে।

এনএসসিএন (আইএম) অমসুং এনএসসিএন (কে) অনিনা নাগাশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা তাল্লিবা দিমান্দ অসিগী ওন্ন-তৈনবদা নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্ট, টুয়েনশাং দিষ্ট্রিক্ট, কিফেরে দিষ্ট্রিক্ট অমসুং লোংলেং দিষ্ট্রিক্ট মরি অসি পুন্নগা ‘‘ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দ’’ শেমগদবনি হায়না ইষ্টর্ন নাগালেন্দ পিপলস ওর্গনাইজেসন (ইএনপিও) না দিমান্দ তৌরকখিবা অসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা ৱা খন্ননবা ঙসি ওর্গনাইজেসন অসিগী লুচিংবশিং অমসুং নাগালেন্দগী চিফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিও দিল্লিদা কৌরকখিবনি। হয়েং ইশু অসিগী মতাংদা দিল্লিদা ৱা খন্নগনি হায়রি

ৱা খন্নবা অসিদা শরুক য়ানবগীদমক নাগালেন্দগী হোম মিনিষ্টর ইমকোং ইমচেম অমদি নাগালেন্দগী ইষ্টর্ন পার্টতগী সেনিয়ার মিনিষ্টর খরসু হৌজিক হৌজিক দিল্লিদা লৈরি।

ইষ্টর্ন নাগালেন্দ পিপলস ওর্গনাইজেসন্না ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দগী দিমান্দ অসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম শ্রী জিতেন্দ্র সিংহ মশামকসু হৌখিবা চয়োলদা নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টতা লাক্কুনা ইএনপিও গী লুচিংবশিং, ত্রাইবেল কাউন্সিলগী লুচিংবশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন, সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং অসাম রাইফলসকী ওফিসিয়েলশিংগা উন্নরমখিবনি। হায়রিবা খোঙচৎ অদুদা ইষ্টর্ন নাগালেন্দগী মীয়াম্না পুখৎলকখিবা ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দগী দিমান্দ অসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা নাগালেন্দগী চিফ মিনিষ্টর ঙসি ৱা খন্ননবা কৌরকখিবনি হায়রি।

ইএনপিও না ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দগী দিমান্দ অসিগা মরী লৈননা হৌখিবা চহি ২০১০ দা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনদুনা নাগালেন্দগী ফ্রন্টিয়ার এরিয়াদা তারিবা তোঙান তোঙানবা ত্রাইব ৬ অসিগী ওইনা তোঙানবা ষ্টেট অমা পীবনা বোর্দর রিজন ওইরিবা এরিয়া অদুগী সোসিও-ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট পুরকপা ঙমগনি হায়না তকশিনখিবা লৈরে।

ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দগী দিমান্দ অসিগা মরী লৈননা সেন্টরনা নাগালেন্দ ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মত করি লৈবগে হায়না হংলকখিবা অমদা নাগালেন্দগী চিফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিওগী গভর্নমেন্টনদি য়াম্না কন্না য়ানিংদ্রি। মদুগী মহুৎতা ইষ্টর্ন নাগালেন্দনা ওটোনোমস কাউন্সিল ওইনা রিকমেন্দ তৌদুনা মফমদুগী শোখনা লৈরিবা মীয়ামশিংদা ফাইনান্সিয়েল, লেজিসলেটিভ অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ পৱার হেন্না পীদুনা সোলুসন অমা পুরকপা পাল্লি। লোয়ননা প্রোব্লেম অসি সোল্ভ তৌনবা ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দগী অকনবা দিমান্দ তৌরিবা ইএনপিওদা খোঙথাং অদু অমুক হন্না খন্ননবা নাগালেন্দ গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী আপিল তৌবগা লোয়ননা ইষ্টর্ন নাগালেন্দ দিভলপ তৌনবগীদমক হায় পৱার কন্মিটি অনি মমাং চহিদা শেমদুনা অথুবগী ওইনা অমদি লোং তার্মগী ওইনা দরকার লৈবা খোঙথাংশিং রিকমেন্দ তৌদুনা সরকারদা খঙহল্লক্লবা হায়খিবা লৈরে। অদুবু ইএনপিও না ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দগী দিমান্দ অসি থবক ওইনা ওন্থোকপা নত্তনা নাগালেন্দ গভর্নমেন্টকী আপিল অমত্তা হৌজিক ফাওবা য়াবা লৈত্রি।

নাগালেন্দ এসেমব্লিগী মমাংদা পাঙথোকখিবা বজেট সেসনদা মেম্বরশিংনা বোর্দর ষ্টেট ওইরিবা ইষ্টর্ন নাগালেন্দগী এরিয়া অসি দিষ্ট্রিক্ট অদুগী অতোপ্পা মফমশিংগা য়েংনবদা খ্বায়দগী হেন্না শোখরে হায়না য়ানবগা লোয়ননা শোখরবা এরিয়া অদু হেন্না দিভলপ তৌনবা দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎনবা নাগালেন্দ ষ্টেট গভর্নমেন্টতা হাওসনা খঙহনখিবসু লৈরে